# ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৩২, সিলভর ৭৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪১ ফংদুনা মাংজিল থাদুনা লৈরি



পোখারা, দিসেম্বর ০৮(এজেন্সী): নেপালনা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা সিটিদা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা সাউথ এসিয়ন গেমকী ঙসি ৮নি শুবা নুমিৎকী লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়াগী টিমনা গোল্ড মেদল ১৩২, সিলভর ৭৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪১ ফংলগা পুন্না মেদল ২৫২দা লৈবাক ৭না লম্বা তৌরিবা গেম অসিগী মেদল টেলিদা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

ঙসি ৮নি শুবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা জুদো ইভেন্টতা মণিপুর মচা লীকমাবম সুশিলা অমসুং লাইশ্রম নিরুপামা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। সুশিলানা নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৫দা স্রি লঙ্কাগী চামিলা দিলানিবু মায়থীবা পীরগা গোল্ড ফংখিবনি।

অমরোমদা দিসিপ্লিন অসিগী কিলোগ্রাম ৬৩গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নবা য়াওরিবী মণিপুর মচা লাইশ্রম নিরুপামানা নেপালগী জুদোকা নিরমালা ঘার্তিবু মায়থীবা পীরগা গোল্ড মেদল ফংখি। ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা গোল্ড ৩ য়াওখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ফেন্সিং দিসিপ্লিনগী নুপীগী ফোইল টিম কম্পিটিসনদা মণিপুর মচা ৱাহেংবম রানি য়াওবা টিমনা নেপালগী টিমবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিগী ঙরাং পাঙথোকখিবা নুপীগী ইন্দিভিজ্যুল ইপি কম্পিটিসনদা মণিপুর মচা ইন্দিয়াগী থৌদাম কবিতানা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ফেন্সর সিটল দলালবু থোইদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। ঙরাংগী নুপীগী সেবর ইন্দিভিজ্যুলদা ইন্দিয়াগী দিঙুজম দাইনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি।

# গোৱানা হায়দরবাদ এফ সিবু ১-০দা থোইদুনা ৩শুবা থাক য়ৌখ্রে

হায়দরবাদ, দিসেম্বর ০৬(এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা এফ সি গোৱানা হায়রবাদ এফ সিবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

ঙসি মেচ অসিগী মাংওইননা এফ সি গোৱা পোইন্ট ৯ ফংলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। অদুগা হায়দরবাদ এফ সি পোইন্ট ৪ ফংলগা টিম ১০গী টুর্নামেন্ট অসিদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈখি।

মেচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঙ্গল মান্ননা অহানবা হাফকী ৪৫গী মিনট অদু লম্বা তৌনখি। পনবা য়াই, এফ সি গোৱাগী টিম অসিদা গোল কিপ্পর ওইখিবা নৱাজ মণিপুর মচানি। টিম অদুদা মহাক্তা নত্তনা মণিপুরদগী হৌখিবা সৈমিংলেন দোংগেল অমসুং চিংলেনসনাসু শরুক য়াখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল চনবা ঙমনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফতা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী ফংখিবা কোর্ন কিক অমা ব্রেন্দন ফর্নান্দেজনা কাউরকপা বোল অদু টিমমেট মনবির সিংহনা মহাকপু মার্ক তৌখিবা হায়দরবাদকী অদিল খানদগী ৱাংনা চোংখৎতুনা হেদ তৌশিল্লগা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী গোৱানা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফংবগা লোয়ননা মেচ ৭তা পোইন্ট ১২ ফংলগা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৩শুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৮

১) বর্লিনগী চেকপল থুগাইখ্রবা মতুংদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনি পুনশিনখি। মদুদা নোংপোক জর্মনিগী মহুৎ শীন্দুনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোয় অমদি চহী অমদা ষ্টেরিয়দ (Steriod) গ্রাম ৩,৯৫৫ চাখি হায়না খঙলকখি, মহাক কনানো?

২) ঐহাক অনীশুবা মেগা মরাথন্দা নুপাগী চহী ৫০গী গ্রুপ্তা অনীশুবা তাখি। ঐগী ইমিং হায়য়ু।

৩) ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী স্লালোম (SLALOM)গী থৌরমদা এথলেট অমদি পোজিসন অহুমগী মনুং চনবা ঙমখিদবদগী নিংবা কায়খি। মরম অদুনা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর অমরোমতা ঙাইরবা মফমদগী ফমথরগা লমথুংফম লোমদা মনিং ওনশিল্লগা লমথুংফম অদু লাপ্তোকখি। মহাক কনানো?



৪) মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, স্কুল, কোলেজতা ষ্টেটকী ওইবা শান্নবগী লুপনচিংবা অসিগী মনুংদা হৌখিবা চহী নিফু (৪০) অসিদা চহীগী ওইনা ক্রোস কন্ত্রি লমজেল (Cross Country Race) পাঙথোক্তুনা মনা মথুম অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েম্থোকপা অমগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অরোইবা মেচ মায়থীরবসু ইন্দিয়াগী টিমনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

কেনবেরা, দিসেম্বর ০৫(এজেন্সী): ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি কেনবেরাদা পাঙথোকপা লৈবাক ৩গী নুপীগী জুনিয়র হোক্কি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিমনা ঙসি ওষ্ট্রেলিয়াগী মখুৎতা পাঞ্জল ১-২দা মায়থীরবসু পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইখিবদগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী টিম অদুনা শান্নখিবা অদু ৪শুবা মেচনি। মমাঙদা মেচ ২ থোইখিবা অমসুং মেচ অমা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা লাকখি। ঙসি লৈবাক অহুমগী হোক্কি টুর্নামেন্ট অদুগী অরোইবা মেচ ওইনা য়ুম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌখিবনি।

ঙসি মেচ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী এবিগেল ৱিলসননা মেচকী ১৫ শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফকী লোইশিল্লবা ফাওবদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী মায়োক্তা চনশিল্লকখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা ইন্দিয়াগী গগনদিপ কোরনা ৫৩ শুবা মিনটতা ইক্কোলাইজর অদু চল্লগা লৈরিঙৈ মিনট ৩ লৈরগা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী এবিগেল ৱিলসননা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা থোইখি। টিম অনীমক পাঞ্জল মান্নরবসু গোল্ড দিফরেন্সতা ইন্দিয়ানা হেন্দুনা টাইটল ফংখি।

# মানভ থাকরনা য়ু-২১ আই টি টি এফ সেরিজ টাইটল ফংখ্রে

মারখম, দিসেম্বর ০৮(এজেন্সী): কানাদাগী সিটি মারখমদা পাঙথোকপা ইন্টর্নেসনল টেন্নিস ফেদরেসনগী চেলেঞ্জ সেরিজ অমা ওইরিবা বিনেমেক্স-ভর্গো নোর্থ অমেরিকান ওপন য়ু-২১ মেন্স সিঙ্গলস টাইটল অদু ইন্দিয়াগী মানভ থাকরনা ফংখ্রে।

মানভ থাকরনা ঙসি শান্নখিবা মেচতা অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয় মার্তিন বেন্তানকোরবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম ৩দা ১১-৩, ১১-৫, ১১-৬তা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

থারকনা টাইটল অসি কুমজা ২০১৭গী মতুংদা চহী ২১ মখাগী ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল ফংবা ঙম্বা অহানবা ওইরি।

# ৱেষ্ট ইন্দিজনা অনীশুবা টি-২০ মেচতা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮দা থোইখ্রে

টিরুবনন্থপুরম, দিসেম্বর ০৮(এজেন্সী): ইন্দিয়াদা ৱেষ্ট ইন্দিজকী ক্রিকেট টিমনা শান্নরিবা টি-২০ সেরিজগী মনুং চন্না ঙসি টালিম নাদুগী টিরুবনন্থপুরমদা লৈবা গ্রিনফিল্ড ইন্টর্নেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ২শুবা মেচতা য়ুম্বু ইন্দিয়াবু ৱেষ্ট ইন্দিজনা ৱিকেট ৮দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০গী মনুংদা বেটচমেন ৭ আউট ওইরগা রন ১৭০ খক লৌখি। ইন্দিয়াগী ইনিংস অদুদা ৩শুবা বেটচমেন সিভম দুবেনা বোল ৩০দা রন ৫৪ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি।

টিম অদুগী ৱিকেট কিপর ওইখিবা রিজব পন্তনা আউট ওইদনা বোল ২২দা রন ৩৩ লৌখিবা অদু শিংথাবা য়াখি।

মেচ অদু মায় পাক্নবা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়কৈদগী রন ১৭১গী টার্গেট অদু টিম অদুগী মায়কৈদগী ইনিংসকী ১৯শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ২খক তুরগা রন ১৭৩ লৌদুনা ইন্দিয়াবু মখোয়না ৱিকেট ৮দা থোইখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ওইনা ওপনর লেন্দল সিমন্সনা আউট ওইদনা বোল ৪৫দা রন ৬৭ লৌখিবা অমদি ৪শুবা বেটচমেন নিকোলাস উরাননা বোল ১৮দা আউট ওইদনা রন ৩৮ লৌখিবা অদুনা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

টিম অদুগী অতোপ্পা ওপনর ইভিন লেবিসনা রন ৪০ লৌখিবা অদুনা অনীশুবা খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ওইখি। সেরিজ অসিগী অহৌবা মেচ ইন্দিয়ানা থোইখ্রবা মতুং ঙসি ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাকখিদুনা সেরিজ মান্নদুনা লৈরি।

# গোৱাগী চর্চিল ব্রদর্সনা মোহন বাগন থোইদুনা মাংজিল থারি

কল্যানি, দিসেম্বর ০৮(এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কল্যানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ুম্বুক্লব ওইখিবা মোহন বগানবু গোৱাগী চর্চিল ব্রদর্সনা পাঞ্জল ৪-২দা থোইদুনা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

মেচ অদুগী হৌরকপা য়াম্না ঙল্লিঙৈ অনীশুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্সকী মায়কৈদগী দল্লীয়ু প্লাজানা টিম মেট দি সিসেনা পীরকপা বোল অমনা অহানবা পাঞ্জল চনখি। মখা তাবা মেচ অদুগী অহানবা হাফকী ২৮ শুবা মিনিটতা চর্চিল ব্রদর্সকী দি সিসেনা অমুক হন্না সপ্লাই তৌখিবা বোল অমদা টিমমেট আর প্রাইমসনা টিম অদুগী অনীশুবা গোল চনখি। শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা মোহন বগানগী মায়কৈদগী চথখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি ফংদুনা ফ্রান গোঞ্জালেসনা পাঞ্জল অমা চনখি। মিনট ৩ লৈরগা চর্চিল ব্রদর্স প্লাজানা পাঞ্জল অমগা হাপচিনখি।

অনীশুবা হাফকী অয়াম্বা মতম পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈরিঙৈ ৭৬ শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্সকী মায়কৈদগী আই গুরুংনা পীখিবা পাস অমদা টিমমেট আর অবু বাকরনা টিম অনীগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা য়ুম্বু মোহন বগানবু ৪-১দা মাংজিল থাখি। শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা মোহন বগানগী মায়কৈদগী এস গোসনা পাঞ্জল হন্দোক্লগা ঙসিগী মেচ অদু চর্চিল ব্রদর্সনা ৪-২দা থোইখি।

